# তামিল নাদুগী সালেমদা আইএসআইএস ওপরেটিব ফাবদগী ষ্টেট পুলিস মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ১ (এজেন্সী):

ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা নোংমাইজিং নুমিত্তা আইএসআইএস ওপরেটিব অমা সালেমদগী ফাখ্রবা মতুংদা তামিল নাদু ষ্টেট ইন্টলিজেন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং পুলিসকী এলিট "ক্ল্য ব্রাঞ্চ" মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে।

আইএসআইএসকী ওপরেটিব অমনি হায়রিবা অসিক কৌবা ফারবা মীওই মহাক্কী মরী মতাগী এংক্লেট শাবগী য়ুনিট অমদা থবক শুবনি।

ইন্টলিজেন্স ব্যুরোনা মহাকপু নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা পিকঅপ তৌখি অমসুং পুং ১০ চুপ্পা ৱাহং পাউহং চথুখি। মদুগী মতুংদা মহাক পুলিসতা শিন্নখিবনি। মহাক নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা কোর্টতা পুথোকখি।

পুলিসনা হায়রি, মদুদি অসিকনা হৌখিবা চহী অসি আইএস ওপরেটিবশিংগা পাউ ফাওনখি। মহাক মথন্তনা এটেক কয়া পাঙথোক্কদবা গ্রুপ অসিগী ওপরেটিব অমা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনখি।

মীওই অসি ফাবা অমদি মহাক্না মপানগী আইএস ওপরেটিবশিংগা ফাওনবদা শীজিন্নখিবা কন্টেক্টশিং অদু খঙলকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট ইন্টলিজেন্স অমসুং "ক্ল্য ব্রাঞ্চ" না খুৎশম্নরগা ষ্টেট অসিদা হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক কনখৎখ্রে।

ক্ল্য ব্রাঞ্চনা মমাঙগী বাসাগী অল উম্মাহ অমসুং অব্দুল নাসির মাদিনিগী পিদিপিগী মতমদগী শীজিন্নরকখিবা ইস্লামিষ্ট ইলিমেন্টশিংনি হায়নবা মীওইশিংগী দোসিয়র অমা শেম শাখ্রবনি।

ষ্টেট ইন্টলিজেন্সনা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসনগী স্লুটশিংগা খুৎশম্নরগা হান্নগী এক্সট্রিমিষ্ট ইলিমেন্টশিং অসিগী মুভমেন্টশিং কুপ্পা শেন্নরি। লৈবাক অসিগী ৭৫ শুবা নিংতম নুমিৎকী সেলেব্রেসন পাঙথোক্কদবা শুপ্পগী চয়োল খরদা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা পুলিসনা রেলৱে ষ্টেসন, বস ষ্টেসন পুম্নমক্কা লোয়ননা এয়রপোর্টশিং ফাওবা চেক তৌবগী থবক কনখৎখ্রে।

তামিল নাদু পুলিসকী সোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অসিবু লৈবাক্কী মায়োক্তা ওইবা ফত্তবা থবকশিংদা শীজিন্নহনবা পামদে অমসুং অসিগুম্বা ইলিমেন্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা লৌখৎনবা পুলিসতা অয়াবা পীখ্রে।

হোম দিপার্টমেন্টগী সোর্সশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী দোল্লর ট্রিলিয়ন অমগী ইকনোমি শেমগৎপা পাল্লিবা সিএম এমকে ষ্টেলিননা ষ্টেট অসিগী ইং তপ্পা ফিভমদা অকায়বা পীগদবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহনবসু পামদে।

পুলিস সোর্সশিংনা মখা তানা হায়, মদুদি ষ্টেট অসিদা লৈরম্বা টেরর মোদ্যুলশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবা পুনবগী থবক পাঙথোকপা ঙম্নবা ষ্টেট ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগা খুৎশম্নना হোৎনমিন্নরি।



# ইসরোনা অনৌবা রোকেট এস এস এল ভি ওগষ্ট ৭ তা থাগৎলগনি

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না মসিগী অপীকপা রোকেট অমা ওইরিবা স্মোল সেটলাইট লোঞ্চ ভেহিকল (এসএসএলভি) অহানবা ওইনা ওগষ্ট ৭ তা লোঞ্চ তৌরগনি।

ইসরোগী মতুং ইন্না রোকেট এসএসএলভি-দি১ (দিভলপমেন্টল ফ্লাইট ১) অসি অয়ুক পুং ৯.১৮ তাবা মতমদা সিরি হরিকোটাদা লৈবা লোঞ্চ পেদতগী থাগৎকনি।

কেজি ৫০০ ফাওবগী লোদ পুবা ঙম্বা রোকেট অদুনা হান্না মাইক্রো সেটলাইট-২ এ হায়না খঙনরম্বা কিলো ১৪২ রোম লুম্বা আর্থ ওবজার্বেসন সেটলাইট-০২ (ইওএস-০২) অসি পুগনি।

সেটলাইট অদুদা মিটর ৬ কী রিজোলুসন ওইবা ইনফ্রা রেদ কেমেরা অমা য়াওগনি। মাইক্রো সেটলাইট অসিদা নত্তনা রোকেট অদুনা কেজি ৮ গী লুম্বা অজাদি সেটসু পুগনি।




মসি স্পেস কিদস ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী মহৈরোয় ৭৫০ না শাখিবনি। স্পেস কিদস ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না প্রোজেক্ট অসিগী মরু ওইবদি মসি লৈবাক অসিনা নিংতম্বা ফঙখিবা কুমজা ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা পুথোকখিবনি।

স্পেস কিদস ইন্দিয়ানা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিগী নুপীমচাশিংগী ওইবা গভর্ণমেন্ট স্কুল ৭৫দগী ঐখোয়না মহৈরোয় তরা খনগৎলগা মসিগী খুদোংচাবা অসি পীখি। খনগৎলবা মহৈরোয়শিং অদু ক্লাস আইটতগী টুয়েল্ব ফাওবগী মনুংদনি। মসি চহী অসিগী য়ুএন থিম ওইরিবা ৱিমেন ইন স্পেসকা চান্ননা এসটিইএমদা নুপীশিংবু প্রমোট তৌননবা পুম্নমক নুপী ওইহনবগী ৱাখল্লোনদা পুথোকপা অসিগুম্বা মখলগী অহানবা স্পেস মিশননি। ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা নুপীমচাশিংগী ওইবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা অসি ফঙহন্নবগীদমক্তা প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা নিতি অযোকসু পার্টনর ওইখি। মদুদা প্রোজেক্ট অদুবু ফন্দিং তৌদুনা হেক্সা ৱায়রনা সপোর্ট পীরি।

# গোৱানা ষ্টেট ২০ হেনবগী মার্ট্যরশিংগী ইমুংশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎলগনি

পনাজি, ওগষ্ট ১ (এজেন্সী):

গোৱাবু লিবরেট তৌন্নবা কুমজা ১৯৫৫ গী ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোকখিবা সত্যগ্রহদা শরুক য়াখিবা গোৱাগী মার্টর ৪১ অমসুং অতৈ ষ্টেট ২০ হেনবগী মার্ট্যর ৩০ গী ইমুংশিংদা নিংতম নুমিত্তা সার্টিফিকেট ওফ ওনর পীরগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সাৱাননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা সৱাননা হায়খি, মদুদি অতৈ ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা ফ্রিদম ফাইটরশিং অসিনা ঐখোয়গী গোৱানশিংগা লোয়ননা মতমদুগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা প্রেসর পীখিবগা লোয়ননা ওপরেসন বিজিয়া লোঞ্চ তৌখি। মসিনা ঐখোয়বু লিবরেট তৌখি।

পোর্টুগিসকা লান্থেংনবগীদমক্তা গোৱাদা লাকখিবা ফ্রিদম ফাইটরশিং অসিনা কথোকখিবদু ঐখোয়না কাউবা ঙমদে। ফ্রিদম ফাইটর ৩০ রোম পোর্টুগিস লান্মীশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জুনদা সাৱাননা নোর্থ গোৱাগী টরিহোল ফোর্টতা হিরবে গুরুজি অমসুং সেস্নাট ৱারেকরবু নীংশিংদুনা শাবা মার্ট্যরশিংগী মেমোরিএল অপগ্রেদ তৌননবগী উরেপ উয়ুংতমখিবনি। ফ্রিদম ফাইটর অনীমক মহারাষ্ট্রদগীনি। মখোয় কুমজা ১৯৫৫ গী ওগষ্ট ১৫ দা ফোর্ট অসিদা লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎখিবগীদমক্তা পোর্টুগিস লান্মীনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

সাৱাননা গোৱাগী মীয়ামদা লৈবাক্কী ফিরাল দিজাইন তৌখিবা লৈখিদ্রবা পিংলি ভেনকয়াগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ওগষ্ট ২ দা মখোয়গী সোসল মেদিয়া একাউন্টশিংদা টিরঙ্গাবু প্রোফাইল পিকচর ওইহন্নবসু আপিল তৌখি।

কেম্পেইন অসিগী মনুংদা মীয়াম্না মখোয়গী য়ুমশিংদা লৈবাক্কী ফিরাল উৎননবসু সাৱাননা আপিল তৌখি। লোয়ননা টিরঙ্গশিং স্কুলশিং, কলেজশিং অমসুং পঞ্চায়টশিংদা ফঙগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ষণশিংদা নাবা এলএসদিগী লায়েং লেপথোক্নবা টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

গান্ধীনগর, ওগষ্ট ১ (এজেন্সী):

গুজরাটকী ষণ কয়াদা নারক্লবা লম্পী স্কিন দিজিস (এলএসদি) গী ট্রিটমেন্ট রোদমেপ অমা শেম শানবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কামধেনু য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লরনা মকোক ওইবা মেম্বর মঙাগী টাস্ক ফোর্স অমা শেমখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর রগবজি পাটেলনা কেপিটেল গান্ধীনগর পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, মদুদি নরেস কেলাৱালাগী চিয়ারমেনশিপ মখাদা টাস্ক ফোর্স অমা শেল্লে। মদুদা অতৈ এনিমেল হজবেন্দরিগী এক্সপার্ট মরি য়াওগনি। মখোয়না শাশিংদা নারিবা লম্পী ভাইরস ইনফেক্সন ফহন্নবগী লায়েং লন্বী শেম শাগনি।



মদুবু ষ্টেট অসিগী ফিল্ড ওফিসার পুম্নমক্না ইন্দুনা ষণশিংদা নারিবা লায়না অসি কোকহন্নবা হোৎনগনি।

মিনিষ্টর অসিনা হায়খি, মদুদি অনাবা শাশিং লায়েংনবগীদমক এনিমেল হজবেন্দরি ওফিসার ২২২, এনিমেল ইন্সপেক্তর ৭১৩ দিষ্ট্রিক্ট ২০ দা থবক তৌরি। মসিগা লোয়ননা আউটসোর্স তৌবা ডাক্তর ৩৩২ সু শা ষণ লায়েংবগী থবক তৌরি।

মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ২০ গী ভিলেজ ১৯৩৫ দা শা ৫৪১৬১ দা লায়না অসিগী ইনফেক্সন লৈরে অমদি ১৪৪১ না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা শাথিরবা লায়না অসিগী মায়োক্তা শা লাক্ষ ৮.১৭ ভেক্সিন কাপখ্রে।

# প্রোবতা কো ওপরেসন পীদবদগী পর্থ চেত্তর্জিগী কষ্টদিগী মতম শাংদোকহল্লগনি

কোলকত্তা, ওগষ্ট ১ (এজেন্সী):

লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোলকত্তা লৈবা স্পিসল কোর্ট অমদা পর্থ চেত্তর্জিবু পুথোক্কদৌরিবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না কোর্ট অসিদা হান্নগী ত্রিনামুল কংগ্রেসকী হেভিৱেট অসিনা ইন্টরোগেসনগী তাঙ্কক খুদিংমক্তা কোওপরেসন পীদবগী টেক্টিস চৗখে হায়বসি খঙহল্লগনি হায়রি।

ইদিগী সোর্সশিংনা হায়রিবদি মহাক্না কো ওপরেসন পীদবা অসি ৱেষ্ট বেঙ্গল স্কুল সার্ভিস কম্মিসন (দব্লিয়ু বি এস এস সি) গী লুপা ক্রোর কয়াগী ওইবা টিচর রিক্রুটমেন্ট স্কাম থিজিল্লিবা অদুগা মরী লৈননা চেত্তর্জিবু কষ্টদিদা থম্বগী মতম শাংদোকহন্নবগী আর্গুমেন্ট অদুগী মরু ওইবা পোইন্ট ওইরগনি।

হৌজিক ফাওবদা চথুরক্লিবা ইন্টরোগেসন অপুম্বা ঐখোয়না ভিদিও রেকোর্দ তৌবদা নত্তনা চেত্তর্জিগী এক্সনশিং অমসুং বোদি লেংগ্বেজসু রেকোর্দ তৌরে। মহাক দাইট চার্টকী মতুং ইন্না চাফম থোকপশিং চাও অমসুং হিদাক লাংথকশিং শীজিন্নৌ হায়বসু য়াদে। ঐখোয়না কাউন্সেলনা অসিগুম্বা ভিদিও খরা মরু ওইনা ইন্টরোগেসনগা মরী লৈনবা ভিদিওশিং কোর্টতা পুথোল্লবা য়াই হায়না ইদিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইদিগী সোর্সশিংনা মখা তানা হায়, কেস অদুগা মরী লৈননা ফারবা অতোপ্পা মীশক অমা ওইরিবা চেত্তর্জিগী এইদ অর্পিতা মুখর্জিদি প্রোব এজেন্সি অসিদা কো ওপরেসন পীবা হৌরে।

লুপা ক্রোর কয়াগী টিচর রিক্রুটমেন্ট স্কাম অসিগী মরমদা অহেনবা অশেংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকহন্নবগীদমক ইদিনা অর্পিতাবু এজেন্সি অসিগী কষ্টদিদা মখা তানা মতম খরা থম্বা মথৌ তাই হায়না লৌই হায়না সোর্সশিং অদুনা ফোঙদোকখি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 261/SDC/Bishnupur, 2022**

Thokchom Manileima Devi, D/o (L) Lalgopal Singh of Keishampat Keisham Leikai - Petitioner

-Versus-

1) Thokchom Ratamani Singh, S/o (L) Lalgopal Singh of Keishampat Keisham Leikai
2) -do- Ibempishak Devi, D/o -do- of -do-
3) Tongbam Bhopen Singh, S/o Ibotombi Singh of -do- - O.P.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Bishnupur, the 01-08-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি (1) Thokchom Ratamani Singh, (2) Thokchom Ibempishak Devi and (3) Tongbam Bhopen Singh of Keishampat Keisham Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 36-Toubul পাট্টা নং 272 (অরিবা), 167 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 136 and 1289 গী 0.48 and 2.60 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/3558/2

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI - MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 237/SDC/Kumbi/2022 Dt: 1-8-22**

1) Md. Mufijuddin, S/o Muffiz Ali of Kwakta Charangpat
2) Muhamad Riyajuddin, S/o Muffiz Ali of -do- -Petitioners

-Vs-

1) (L) Md.Abdul Hamid, S/o Abdul Aji of Saiton
2) Sanahanbi Bibi, W/o Abdul Hamid of -do- -O.P. Pattadar

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Kumbi, 1-8-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৫-সাইতোনদা লৈবা পাট্টা নং ... (অরিবা) অমসুং ৭১১ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ১১৯৬ এরিয়া .৭৯ একর চাওবা লম ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংদা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Kumbi

HL-P/3361/2


## T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
ꯊꯣꯏꯕꯥ NH-39, Thoubal District, Manipur ꯊꯣꯏꯕꯥ

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges:
2000 Brick, Rs. 800/-
1500 Brick Rs. 600/-

*First Come First Serve*

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,27,29,31 (July) 2,4,6,8,10,12 (Aug) Alt Days


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES
## CIRCULAR

Imphal, the 1st August, 2022

**No. BVSc/TRG/2022-Vety.** :- It is hereby informed to all the interested / intending candidates that the Selection for undergoing B.V.Sc. & A.H. Degree Course for the academic session, 2022 - 23 as State Government Nominee(s) will be done from amongst the candidates appeared in the **NEET (UG) - 2022** held on 17th July, 2022 conducted by the National Testing Agency (NTA) based on merit. Application Forms shall be available at the Directorate of Vety. & A.H. Services, Manipur w.e.f. 3rd August, 2022 on payment of Rs. 50 /- (Rupees fifty) only. The same can also be downloaded from the departmental website vetymanipur.nic.in. **Detailed information in this regard can be had from the Notice Board of this Directorate and departmental website mentioned above.**

**Sd/- Ng. Ibotombi Singh**
**Director,**
**Vety. & A.H. Services, Manipur.**

HL-P/3563/2,3


AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR

## ACI SCHOOL

A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal

*A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute*

**ADMISSION OPEN FOR XI SCIENCE & XI ARTS**

SPECIAL FACULTY MEMBERS

1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi

*Supported by special faculty members of ACI*

FEATURES

1. For Position holders in the HSLC exam *Free ship + Book Grant + Scholarship*
2. Students who scores 85% & above *Admission free + Half tuition free + scholarship*
3. Students scores 80% and below 85% *Admission free+Scholarship+Book Grant*
4. Students scores 75% and below 80% *Half Admission free + Book Grant*
5. Students score 70% and below 75% *Half Admission*
6. Students score 60% and below 70% *Direct Admission*

World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com

Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available

*Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)*

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

## ADVANCED COACHING INSTITUTE

(HURRY! LIMITED SEAT)

THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

**FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE**

2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
*(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC*

1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
*ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE*
*SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS*

7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
*WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS*

1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel

MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute

LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 –9AM 6--9AM 12—3PM 4.30– 7.50pm

For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

## FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL

Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute

SURE STEP TO MAKE SUCCESS

BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M

FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS

FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING

HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug